

# সনালৈবাক স্পোর্টস

TUESDAY, JULY 15, 2014, PAGE 7




*ব্রার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচ য়েংদুনা জর্মনগী শান্নরোইশিংবু পুক্লিং থৌগৎলিবী ভাবোক অমনা জর্মনগী কাংবুনা গোল অমা চনবদা মোমোন নোকখিবা*

*আর্জেন্টিনানা জর্মনগী মখুত্তা মাইথিহৌবদা থম্মোয়শোক্লা পেন্দবা ফোংদোক্লিবী বোল মারকানা ষ্টাদিয়মদা বোল য়েংখিবা অঙাং অমা*

## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ব্রার্ল্ড কপ

# জর্মন্না চহি ২৪গী মতুংদা অমুক্কা হন্না ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা মরিরকশুবা টাইটল লৌখ্রে



*রিও দি জেনেরো, জুলাই ১৪ঃ*
জর্মন্না চহি ২৪গী মতুংদা ৪রক শুবা ওইনা ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা হন্দক চহিগী ব্রার্ল্ড কপ লোইশিখ্রে। মথংগী কপ হায়বদি ইং ২০১৮দা রুসিয়াদা অমুক থেংনরসি হায়না ফিফাগী প্রসিদেন্ট ব্লাটরনা ফোংদোকখ্রে ।

ফিফানা শিনবা ব্রাজিলনা যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ২০ শুবা ইদিসন ফিফা ব্রার্ল্ড কপ সোক্কর ঙরাং রিও দি জেনেরোদা লৈবা ষ্টদিও দো মারকানা হায়বা অসিদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা জর্মন্না আর্জেন্টিনাবু এক্সত্রা টাইমদা গোল ১–০দা মাইথিবা পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা লোয়ননা য়ুরোপকী ব্রাংমদা ইহান হান্না ব্রার্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা লৈবাক অমা ওইখিবনি । জর্মন্না হন্দক ব্রাজিলদা পাংথোকপা কপ অসিদা চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা য়ুরোপকী ব্রাংমদা পাংথোকপা কপ্তা পাংথোকখিবা অদুদা চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা অহুমলকশুবা ওইখি । হন্দক পাংথোক্লিবা কপ অসিদসু লৈবাক অসিনা চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা মরিরকশুবা ওইনা টাইটল লৌখিবনি ।

বাওটেংগা কোক–কোক থেংনদুনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি ।

মাইপাক্লবা জর্মনি টিমনা ব্রার্ল্ড কপ ব্রিন্নর ওইবগী ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা দোল্লর মিলিয়ন লিশিং ৩৫ ফংখি । জর্মন টিমগী গোলকিপ্পর ওইরিবা মুনিএল নেব্রারনা বেষ্ট গোলকিপ্পর তাদুনা গোল্ডন গ্লোব ফংখি ।

ব্রার্ল্ড কপ্তা জর্মনগী গোলকিপ্পরনা বেষ্ট গোলকিপ্পর হরলেন্দ সুমেক্করনা তাখি । অনিরকশুবা ওইনা জর্মনগী গোলকিপ্পরন বেষ্ট গোলকিপ্পর তাখিবসি ইং ২০০২দা জাপান কোরিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা কপ অদুদা ওলিভর কান্না বেষ্ট গোলকিপ্পর তাখিবসিনি ।

ব্রার্ল্ড কপ অসিদা মরিশুবা পোজিসন তাহৌরবা যুম্বু ওইরিবা ব্রাজিল টিমনা মরিশুবা পোজিসনগী শেলগী মনা ওইনা দোল্লর মিলিয়ন লিশিং ১৮ ফংখি। অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা নেদরলেন্দনা দোল্লর মিলিয়ন লিশিং ২০ ফংখি ।

তোঙান–তোঙানবা এব্রার্দ কয়া অমসু য়েন্থোকখি । বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ার হায়বা মনা অসি ইহান হান্না ওইনা ইং ২০০৬তা জর্মন্না অনিরকশুবা ওইনা যুম্বু ওইখিবা চহি অদুদগী হৌদুনা বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ার মনা অসি পীবা হৌরকখি । অদুমওইনমক ইং ১৯৫৮দা স্বুইদেন্না যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা মতম অদুগী বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ারশিং খনগৎতুনা ইং ২০০৬ অসিদা পীখি। মদুসু ফাইনেল মেটচ লোইরবা মতুংদা পীখিবনি ।

হৌদোকপা চহি অদুমক্তদা জর্মনগী নহা ওইরিবা শান্নরোই হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদসু জর্মনগী



টোর স্কোররশিংগী মনুংদা ব্রাজিলগী প্লেয়ার অমা ওইদুনা টিম অসিবু সেমি ফাইনেল ফাওবগী থাক্তা পুখৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নেয়নর দে সিলভা সান্তোস জুনিয়ারনা গোল ৪ চনবগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ বুট ফংখি ।

বেষ্ট প্লেয়ারগী অহুমশুবা পোজিসন্না নেদরলেন্দগী আর্জেন রোবেন্না ফংবা ঙমখি । বেষ্ট প্লেয়ারগী কম্পিটিসন অসিদা মীয়াম্মা শান্নরোই মরি খনগৎলকপগী মনুংদা ব্রাজিলগী কি প্লেয়ার ওইখিবা নেয়মার য়াওখি । অদুবু ফাইনেল ওইনা খনগৎপদা মহাক য়াওখিদে । খনগৎলবা বেষ্ট প্লেয়ার অহুম অদুদি আর্জেন্টিনাগী লিওন মেসি, জর্মনগী থোমাস মুল্লর অমদি নেদরলেন্দকী আর্জেন রোবেন্না তাখিবনি । ফাইনেল মেটচ অদুবু কন্দক তৌখিবা ইটালিগী রেফ্রি অমা ওইরিবা নিকালা রোজিলিনা হন্দক্কী ইদিসন অসিগী ওইনা বেষ্ট রেফ্রি তাখি ।

নিংশিংবা য়াই আর্জেন্টিনা অমদি জর্মন হন্দক্কী ইদিসন অসি থারগা অহুমলক শুবা ওইনা ব্রার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা থেংনবনি । মসিদা জর্মন্না অনিরক মাইপাকখ্রে অদুগা আর্জেন্টিনানা মাইপাকপনা অমুক্তা ঙাইরি । মখোয়না মাইপাকখিবা চহি অদুনা ইং ১৯৮৬তা মেক্সিকোনা যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা কপ অদুগী ফাইনেলদনি । অনিরকশুবা ওইনা ইটালিদা পাংথোকখিবা ইং ১৯৯০গী ইদিসন অদুদা অনিরকশুবা ওইনা থেংনবদা জর্মন্না মাইপাকখিবনি ।







বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ার তাখ্রবা ফ্রান্সকী পোকবা



গোল্ডন বুট ফংখ্রবা কলমবিয়াগী জেমস রোদ্রিগুইস

মরিরকশুবা ওইনা সোক্কর ব্রার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে ।

লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা লেটিন আমেরিকাদা পাংথোকপা ব্রার্ল্ড কপ্তা অহানবা ওইনা য়ুরোপ্না চেম্পিয়ন ওইবা লৈবাক অমা ওইবসু ঙমখ্রে ।

মমাংগী ব্রার্ল্ড কপ্তা য়ুরোপকী লৈবাক অমা ওইখিবা স্পেন্না সাউথ আফ্রিকাদা পাংথোকখিবা কপ অদুদা চেম্পিয়ন ওইবগা চেম্পিয়ন ওইবা অনিশুবা য়ুরোপকী লৈবাক ওইবা ঙমখিবনি ।

জর্মন্না ইহান হান্না ব্রার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখিবসি ইং ১৯৫৪দা স্বুইটজরলেন্দনা যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা কপ অদুদা অহানবনি। মথংদা মখোয়না যুম্বু ওইদুনা ইং ১৯৭৪দা পাংথোকখিবা কপ অদুদা অনিরকশুবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুংদা ইং ১৯৯০দা ইটালিনা যুম্বু ওইদুনা



জর্মনগী মাইপাক্লবা গোল অদু মেটচ অদুগী ১১৩শুবা মিনিটতা মারিও গোজিনা চনবগা লোয়ননা জর্মন টিমবু মরিরকশুবা ওইনা ব্রার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা লৈবাক অমা ওইহনখি ।

শান্নরোই অসি অহানবা শরুক হাইবদি ফুল টাইমগী ৮৫শুবা মিনিটতা ক্লোজগী মহুত্তা চংলকখিবা শান্নরোই অমনি । মহাক্না ফিল্ড মনুংদা হেক চংদুনা শান্নবা হৌরকপগা লোয়ননা পেনালটি এরিয়া মনুংদা বোল ফংবা মফম মশানা শেমজদুনা আর্জেন্টিনাগী দিফেন্দর অমত্তনা চার্জ তৌরক্লোইদবা মফম শেমদুনা য়াম্না হৈ–শিংনা শান্নরকখিবা ষ্ট্রাইকর অমনি ।

মশাগী চহি ২২ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোই অসি হৌজিক হৌজিক জর্মনগী ক্লব অমা ওইরিবা বায়ন মুনিছতা শান্নরিবা শান্নরোই অমনি । হৌজিক ফাওবদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়ন্সিপ ২৮লোম শরুক য়াখ্রবা শান্নরোই অমসু ওইরি । মহাক্কী গোল অসি য়াম্না মপুং ফাবা অমা ওইবগা লোয়ননা আর্জেন্টিনাগী অফবা গোলকিপ্পর অমা ওইরিবা সর্গিও রোমিরোবু য়াম্না লাইনা থেক্তুনা কাওখিবা বোল অদুনা গোল মাউথ মনুংদা চংখিদুনা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিং অমদি লৈবাক অসিবু শৌগত্তুনা বোল য়েংখিবা ভাবোকশিংগী নিংবা কাইবা মিৎকুপ অমা ওইহনখি । মহাক্না গোল চনবগা লোয়ননা টিম অসিদা য়াওরিবা আফ্রিকাদগী হৌরকখিবা শান্নরোই জেরোমি

মাইথিহৌরবা আর্জেন্টিনানা রর্নস অপ ওইদুনা দোল্লর মিলিয়ন লিশিং ২৫ ফংখি । মাইথিহৌরবা টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা লিওন মেসিনা হন্দক্কী ইদিসন অসিগী বেষ্ট প্লেয়ার তাদুনা গোল্ডন





তাখিবসি মহাক্না অহুমলকশুবা গোলকিপ্পর ওইরি । ইহান হান্না বেষ্ট গোলকিপ্পর তাখিবনা মেক্সিকোনা যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ইং ১৯৮৬কী কপ অদুদা জর্মনগী গোলকিপ্পর


প্লেয়ার ২৩গী লিষ্টতা য়াওরগা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা মেটচ অমফাওবা শান্নবা ফংখিদ্রবা লুকাস পোদোল্সকিনা ফংখিবনি ।

হন্দক্কী চহি অসিগী ওইনা বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ারগী মনা অসি ফ্রান্সকী শান্নরোই পাওল পোকবানা ফংখি। হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইনা এব্রার্দ অসি ফংলিবশিংগী মনুংদা ব্রাজিলগী পেলেনা ওইরি । মহাক্না মশাগী চহি ১৭তা ব্রার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদুনা হৈশিংবা কয়া উৎপগা লোয়ননা এব্রার্দ অসি মঙোন্দা পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনি। মহাক্কী মতুংদা য়ঙ্গেস প্লেয়ারগী মনা ফংবদা চহি নৌরিবা শান্নরোই অমা ওইখিবনা ইংলেন্দগী শান্নরোই মাইকেল ওইয়েন্নি ।

মহাক্না ইং ১৯৯৮দা ফ্রান্সনা যুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা কপ অদুদা মশাগী চহি ১৮দা শরুক য়াবগা লোইননা হৈশিংবা কয়া উৎথোক্তুনা শান্নখিবদগী বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ার হায়বা মনা অসি পীখি ।

টোপ স্কোররগী মনা ফংখিবা শান্নরোই অসিনা মেটচ ৬ শান্নবদা গোল ৬ চন্দুনা হন্দক চহিগী ওইনা গোল্ডন বুট ফংখিবা শান্নরোই অদু কলমবিয়াগী জেমস রোদ্রিগুইসনি।

সিলভর বুট ফংখিবা শান্নরোই অসিনা মেটচ ৭ শান্নবদা গোল ৫ চনখিবা জর্মনগী থোমাস মুল্লরনি। শান্নরোই অসিনা মমাংগী ইদিসন্দা টোপ স্কোরর অমদি বেষ্ট য়ঙ্গেস প্লেয়ার এব্রার্দ ফংখিবা শান্নরোই অমনি । হন্দক্কী ইদিসন অসিদসু থোমাস মুল্লরনা বেষ্ট প্লেয়ারগী অনিশুবা মনাসু ফংদুনা সিলভর বোল ফংখি ।



গোল্ডন গ্লোভকী মনা ফংখ্রবা জর্মনীগী গোলকিপ্পর মানুয়েল নেব্রার



বেষ্ট প্লেরগী মনা ফংখ্রবা আর্জেন্টিনাগী লিওন মেসি